# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-01-2025)**

**ডে (এল)ঃ** ১৫ শুবা জাতিগী ভোটরশিংগী নুমিৎ ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পালন তৌরি।

নথিং লাইক ভোটিং, আই ভোট ফোর সিয়োর হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা পালন থৌরম অসি রাজ্য থাক্কী ওইনা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মনিপুরগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ওন লাইনদা রচনা ইবা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমশিংসু ঙসি য়েন্থোক্কনি। চাংদমবা অসিদা অহানবা মনা-নোংমৈকাপ্পা অরতিনা চনুনা তাখি। অনিশুবা অমসুং অহুমশুবনা ইঙুদম মন্দা দেবী অমদি ময়াংলম্বম বিকাশচন্দ্র তাখি। মসিগী মথক্তা কন্সোলেসন প্রাইজ তরেৎ অমসু পীগনি।

**এসেমব্লি (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম মথং থাগী ১০, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ফম্বা হৌরগনি।

মসিগী মতাংদা ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভাল্লানা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ ঙরাং মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক খি।

থৌবাল জিলাদসু ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিবলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন (আই.আর.দি.এস.ও) না শিনদুনা থৌবালগী ক্ষেত্রি শঙলেনদা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

তুংগী নুংঙাই য়াইফবা পুন্সিগীদমক নুপীমচাশিংদা শক্তি পীবা হায়বসিদা

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাস, মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমার অমসুং মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-তিনিংফম মোনশাংনচিংবা শরুক য়াখি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চথুগদবা রাজ্য থাক্কী লাইরিক হাইবা থিবগী থৌরম অমা ঙরাংদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গা মোইরাংথেম কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনিকুমারনা হায়-ঙসিগী সমাজ অসিদা থেংনরিবা সমস্যাশিং মায়োক বদা সনাতন লাইনিংনা অচুম্বা লম্বীদা চৎননবা লম্বী অমা পীরি। অহিংশা অমসুং কর্ম্মদা অচেৎপা থাজবা থম্বা সনাতন ধর্ম্মনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং চাউখৎপগী লম্বীদা পুন্না চৎমীন্ননা হোৎনরি। থৌরম অসি সট সংঘা গৌরা সমপ্রদাইনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুদা সনতন ধর্ম্মগী লাইনিং অমদি মসিগী চৎনরোলগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু শিল্লি।

**কনফরেন্স (এল)ঃ** ইনপুই নাগা বেপটিস চর্চসেস এসোসিয়েসন (আই.এন.বি.সি.এ) গী অহুমশুবা নুপীশিংগী মীফম নোনে জিলাগী হাউচোং সব দিভিজনদা লৈবা ন্যু কবুই খুল্লেন বেপতিস চর্চতা ঙরাং হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অসি ৱিমেন দিপার্টমেন্ট ওফ ইনপুই নাগা বেপটিস চর্চসেসনা শিনবনি। মীফম অসিদা নুপীশিংগী হকশেল, সোভিনিয়ার ফোংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মনিপুর অমসুং নাগালেন্দদগী ইনপুই ত্রাইবকী মীওই লিশিং ১,৫০০ হেনবা শরুক য়ারি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা হায়রি-মমাং চহি ২০২৪ দা জিলা অসিদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই ৬৪ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

জিলা অসিগী পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ ১৬৬, মেগজিন ১২১, পোকখায়াবা য়াবা মচাক ২৪৯, নোংমৈ মরু লিশিং ১,১৫৮ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, মমাং চহিদা জিলা অসিগী পুলিসনা মীওই মরিসু কনবা ঙমখি অদুগা গাড়ি হুরানবা মীওই ৮ ফাগৎতুনা মখোয়দগী গাড়ি ২৭সু ফংখি। ইং ২০২৪ গী এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল মমাংদা জিলা অসিগী পুলিসনা চথখিবা দ্রাইবতা য়ু লিটর লিশিং মরিরোম, য়ুঙাং, শেল ওইনা লুপা লাখ ২১ রোমসু ফাগৎপা ঙমখি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা হায়রি-জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেক পোইন্টশিং হাংদুনা পামদবা থৌদোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। চহি অসিদগী হৌদুনা হায়রিবা চেক পোষ্টশিং অসিদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা কম্মান্দো, সি.আর.পি.এফ. অমসুং বি.এস.এফকা পুন্না খ্ৎশমদুনা ঙাক শেনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

**পোপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লুংজাং ভিলেজতা লম একর ৩৫ দা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎখিবদা মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-দ্রগ ফ্রি মনিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা রাজ্য অসিগী ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি মীয়ামনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মতুংদসু অসিগুম্বা সমাজ অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না লেপমীন্নবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখিবদা অচৌবা থৌদাং

লৌখিবা কাংপোকপী পুলিস, সি.আর.পি.এফ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং জিলা অদুগী ইগজ়কিটিব মেজিষ্ট্রেটপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী কো-ওপরেসন মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী অহানবা কো-ওপরেটিব য়ুনিভরসিতি ওইগদৌরিবা ত্রি ভুবন্দাস পটেল কো-ওপরেটিব য়ুনিভরসিতি অথুবা মতমদা লিংলগনি।

মহারাস্ত্রগী মুম্বাইদগী পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল ইয়ার ওফ কো-ওপরেটিব ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। শ্রী অমিত সাহনা এম.য়ু.সি.এফ.দি.সিগী কো-ওপরেট ওফিস, ইন্টরনেসনেল ইয়ার ওফ কো-ওপরেসন কেলেন্দর ২০২৫, নৌনা শেম্লবা মল্টি পরপজ কো-ওপরেটিব লিশিং ১০ গী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম য়াওনা প্রাইমারি সোসাইতিগী রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্কসু ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা হৌদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈ লোয়শিনবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা শরুক য়াখিবা, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রিপাব্লিক ডে থৌরমগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং ১২ শুবা এসেমব্লিগী তরেৎশুবা মীফম ফেব্রুৱারী ১০ দা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ লোয়শিনখ্রে, মনা লাম্থোকখ্রে। শুমাং লীলা শঙলেন শেমগৎনবা লুপা ক্রোর অনি মখায় কায়থোক্লে হায়না হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী কোর ইশু নৈনদবনা অয়াম্বনি, ইমোসনদা চৎলি, মনিপুর কয়া য়ামা থ্রেদ লৈরবগে হায়বসি খঙনদবগুম তৌরি হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদসু ফোংলি।

মালেমগী উংখৎনরিবা থৌদোক ৮ গী মনুংদা য়াওরকপসি অফবা ওইরোই হায়না ও. ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ুনিয়ন মিনিস্তর ওফ ষ্টেট-জোর্জ কুরিয়ন সেনাপতিদা লাক্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

রিপাব্লিক ডে পালন থৌরমগী ফুলদ্রেস রিয়ারসেল পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদসু ফোংলি।

মহুদ মিনিস্তর-ৱাই. খেমচান্দনা ফত্ত-হৌদি হুন্দোকপগী দ্রাইবতা শরুক য়াখ্রে হায়না পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মারদগী ইন্দিয়াদা ত্রক চৎপা য়াবা টন্নেলদা দ্রগশিং পুশিল্লকই হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গভনরনা ১২ শুবা এসেমব্লিগী তরেৎশুবা মীফম ফেব্রুৱারী ১০ দগী হৌনবা সমোন তৌখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফালদা সেক্যুরিতিগী থবক কনখৎলে, লালহৌবা অমা ফারে হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

বরাক তুরেলদা হু থাদরকপদগী তমেংলোং দি.সিনা প্রোহিবিটরি ওর্দর অমা থোকখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মীওই অয়াম্না থোক্লিবা ইরাং অসিগী কোর ইশু খঙদ্রি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।